## রসিয়ানা শকখঙখ্রে

মোস্কো, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সি): রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন্না হায়খ্রে মদুদি, মহাক্কী লৈবাক্না অলেক্সজেন্দর লুকাসেনকোবু বেলরসকী লোনা য়াবা প্রসিদেন্ট ওইনা শকখঙলে। বেলরসকী প্রসিদেন্সিএল মীখল লোনা য়াবা মওংনি হায়না ঐখোয়না লৌই। মীখলদুদা মায় পাকখিবদমক ঐহাক্না অলেক্সজেন্দর লুকাসেনকোদা হরাও তয়ান্বা ফোঙদোকখ্রবনি হায়না পুটিন্না থাংজ নুমিত্তা টেলিভিজনগী ইন্টরভিয়ু অমদা ফোঙদোকখি।

## গভর্নমেন্ট শেমখ্রে

দমাস্কস, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সি):

সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাসর অশাদনা লৈবাক অসিগী হান্নগী গভর্নমেন্টকী প্রাইম মিনিষ্টর অর্নোসতা অনৌবা গভর্নমেন্ট অমা শেম্নবা ওগষ্ট ২৫ দা য়াথং পীখিবগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী অনৌবা গভর্নমেন্ট শেমখ্রে।

অনৌবা গভর্নমেন্ট অদুগী মরু ওইবা মিনিষ্টর অয়াম্বা হান্নগী গভর্নমেন্টকী মিনিষ্টরশিংনি। অশাদনা জুন ১১দা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ঈমাদ খামিসপু মফম লৌথোক্লগা অর্নোসপু এক্তিং প্রাইম মিনিষ্টর ওইহনখিবনি।

## মীপুং তিংনা কোভিদ টেষ্ট তৌনবগী থৌরাং বোইকোট তৌনবা হেল্থ ৱর্করশিং, এক্তিভিটিষ্টশিংনা অপিল তৌখ্রে




হোং কোং, ওগষ্ট ৩০, (এজেন্সি) :

মেনলেন্দ চাইনাগী মেদিকেল ষ্টাফনা মতেং পাংলগা হোং কোং সিটিগী মীপুং তিংনা কোরোনাভাইরস টেষ্ট তৌনবা সিটি অসিগী গভর্নমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং বোইকোট তৌনবা জোসুৱা ৱোং য়াওনা এক্তিভিষ্টশিং অমসুং হেল্থ ৱর্করশিংগী ওইবা হোং কোংগী প্রো-দেমোক্রেসি যুনিয়ন অমনা অপিল তৌখ্রে।

সেমি-ওটোনোমি সিটি অসিনা কোরোনাভাইরস পান্দেমিক থেংনবদা অহানবা ওইনা চাইনাগী হেল্থ ওফিসলশিংনা হকথেংননা মতেং পাংবগী খোঙথাং অমদা লৈবাকপোকপা নুমিত্তগী মেদিকেল ৱর্কর ৬০গী ওইবা মেনলেন্দগী টিম অমনা টেষ্টশিং পাঙথোকপা হৌরগনি। তৌইগুম্বসুং চাইনানা হন্দক্তা নেসনল সিক্যুরিটি লো চংনহন্দুনা সিটি অসিগী মীয়ামগী ফ্রীদম লাকশিন্নবা হোৎনরক্লে হায়না দেমোক্রেসি শৌগৎপা এক্তিভিষ্টশিং অমদি মখোয়বু শৌগৎপা মালেমগী লৈবাক কয়ানা ফোঙদোক্লবা লৈরিঙৌদো সিটি ওথোরিটিশিংনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিবু যুনিয়ন অসিনা বোইকোট তৌনবা মীয়ামদা অপিল তৌখিবনি। মীয়ামগী হকশেলদা শোকহল্লকপা য়াই হায়না গভর্নমেন্টনা সেপ্তেম্বরদা পাঙথোক্লবা লেপ্লন্বা লেজিসলেটিভ মীফমসু চহী অমা মপুং ফানা য়ৈথোকখ্রবনি। মসিনা মমাংদা অমুক্তা থাকখিদ্রিবা মওংদা হাউসকী মেজোরেটি ফংবা ঙমগনি হায়না থাজখিবা প্রো-দিমোক্রেসি কেম্পতা অচৌবা চৈথেং অমা পীখি। মেম্বর ২০০০ না শরুক য়াদুনা হৌখিবা চহীদা প্রো-দিমোক্রেসি প্রোটেষ্টশিংগী মনুংদা শেমখিবা হোস্পিটাল ওথোরিটি ইমপ্লোয়ীজ এলায়ন্সনা হায়খি মদুদি, পাত্তক্লনা টেষ্ট তৌবনা রিসোর্স কা হেন্না মাঙহনগদবা ওইবনা রিস্ক গ্রুপশিং টেষ্ট তৌবদা মীৎয়েং থমগদবনি।

## রেষ্টোরেন্ট নীংখায়বদা মীওই ২৯ শিরে

বৈজিং, ওগষ্ট ৩০, (এজেন্সি) : চাইনাগী অৱাং থংবা সাঞ্জি প্রোভিন্সতা রেষ্টোরেন্ট অমা নীংখায়রকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই ২৯ শিরে অমসুং অতৈ মীওই কয়ানা অশোক-অপন নংলে হায়না ষ্টেট মিদিয়ানা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসল ন্যুজ এজেন্সি সীনহুৱাগী মতুং ইন্না সাঞ্জি প্রোভিন্সকী সিয়াংফেন কাউন্টিদা লৈবা মথোল অনীগী বিল্ডিং অদু থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্তা বাৰ্থদে পার্টি অমা পাঙথোক্লিবা মনুংদা নীংখায়রকখিবনি। রেষ্টোরেন্ট অদুগী অকায়-অতোয় মরক্তগী মীওই ৫৭ চিংথোক্লে হায়না রিপোর্ট অমদুদা পনখি।



ষ্টেট ব্রোদকাষ্টর সী জি পি এফনা ফোঙদোকখিবদা, রেষ্টোরেন্ট নীংখায়বদুদা মীওই ৭ অশোক-অপন নংখি। তৌইগুম্বসুং মখোয়গী ফিভম নুংশাংথিনিংঙাই ওইদে। মী কনবা অমসুং থিবা-হুন্বগী ওপেরেন অদু থাংজ নুমিৎকী অঙনবদা লোইশিনখি। বিল্ডিং নীংখায়রখিবগী মরম খঙবা ঙমখিদে। প্রোভিন্সিএল ওথোরিটিশিংনা পাঙথোকপা ইনভেষ্টিগেসনগী থবক য়েংশিনগনি হায়না সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী ষ্টেট কাউন্সিলনা ফোঙদোকখি।

সী জি পি এফগী ৱেবসাইটতা থাদোরকপা ফুটেজদা বিল্ডিং অদুগী মথক থংবা শরুক কিন্থরকপা অমদি রেস্ক্যুগী ইক্বিপমেন্টনা মফম অদুগী অকায়-অতোয়শিং লৌথোকপগী শক্তম উবা ফংখি। রেস্ক্যু ওপরেসন অদুদা মীওই ৭০০ রোম্না শরুক য়াখি।

চাইনাদা বিল্ডিং নীংখায়বা নৎত্রগা শেমগৎ-শাগৎপগী থবকশিংদা অশোয়-অঙামগী থৌদোকশিং থোক্তুনা মীশি অমদি শোকপা-পনবা তোয়না থোকই। মসি লৈবাক অসিনা শেল-থুমগী থবক-থৌরমশিং খোঙজেল থুনা চাওখৎলকপগা লোয়ননা কন্সট্রক্সনশিংগী থবকশিংদা সেফটিগী রুলশিং পাত্তক্লনা ঙাক্লন্দবদগীনি হায়না লৌনরি।

## কনাদিয়ন মিলিটরিগী মেম্বর ২ পোজিটিভ ওইরে



ওটাৱা, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সি):

হন্দক্তা মিদল ইষ্টতগী হল্লকখিবা কনাদিয়ন মিলিটরিগী মেম্বর অনী নোভেল কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন খঙদোক্লবগী টেষ্টতা পোজিটিভ ওইরল্লে হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

থাংজ নুমিৎকী ষ্টেটমেন্ট অমদা মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়খি, কনাদিয়ন এয়রফোর্সকী পর্সনেল ৩৫ তোংবা ফ্লাইটতা মেম্বর অনী কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন লৈরমখি। ফ্লাইট অদু ইরাক, জোর্দান, লেবনন অমসুং কুয়েটতা দিপ্লোই তৌরিবা কনাদিয়ন ৮৫০ পুথোরকপা য়াওবা ওপরেসন ইম্পেক্টকী শরুক অমনি।

ফ্লাইট অদুগী মমাং অমসুং মতুংদা কোভিদ-১৯গী হকশেল অমদি সেফটিগী প্রোতোকোলশিং অমসুং চেকশিন থৌরাং কয়া ঙাক্তুনসু দিপ্লোই তৌরিবা পর্সনেলশিংগী মরক্তা ইনফেক্সন থোক্লকপা য়াবগী রিস্ক মতম পুম্নমক্তা লৈ। ফ্লাইট অদু ওগষ্ট ২৪ দা কনাদাগী লেব্রদর প্রোভিন্সকী কনাদিয়ন ফোর্সেস বেজ গুজ বেজদা অহিং লেনখি। ক্রু অমসুং পেসেঞ্জরশিং বেজ অদুগী ফেসিলিটিনচিংবা আইসোলেসন তৌদুনা থমখি।

ফ্লাইট অদুগী পেসেঞ্জর অমসুং ক্রু মেম্বর খুদিংমক টেষ্ট তৌখি। হৌজিক বেজ অদুদা থবক তৌরিবা পর্সনেল ১০ নাইতোম ওইনা লৈহল্লি।

## পাকিষ্টানদা নোং কন্না চুবদগী শিখিবা মীশিং ১৩৪ শুরে

ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ৩০, (এজেন্সি) :

নোং কন্না চুবনা মরম ওইদুনা পাকিষ্টানগী মফম কয়াদা শিখিবা মীশিং ১৩৪ শুরে হায়না লৈবাক অসিগী নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি (এন দি এম এ)গী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

এন দি এম এনা মসিগী ৱেবসাইটতা জুন ১৫ দগী ওগষ্ট ২৯ ফাওবদা লৈখিবা মীশি-মীনাগী মশিং ফোঙখি। গভর্নমেন্টকী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিং, আর্মি অমসুং নন-গভর্নমেন্টেল ওর্গনাইজেসনশিংনা অৱাবা তারবা মফমশিংদা মী কনবা অমদি মতেং পাংবগী ওপরেসনশিং পাঙথোকখি। খাইবর পাখতুনখ্বা প্রোভিন্সনা খ্বাইদগী ফিভম থিনা শোকপা প্রোভিন্স ওইখি। প্রোভিন্স অসিদা মীওই ৪৮ শিখি অমসুং অতৈ ৪২ অশোক-অপন নংখি।



চৈরকসিদা সীন্দ প্রোভিন্সকী চীফ মিনিষ্টর সয়েদ মুরাদ অলি সাহনা ইরাই নুমিত্তা প্রেস কনফরেন্স অমদা হায়খ্রে মদুদি, নোং কন্না চুবদগী প্রোভিন্স অদুদা পুন্না মীওই ৮০ শিখ্রে। প্রোভিন্স অসিগী কেপিটেল কারাচি খক্তদা মীওই ৪৭ শিখি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, ওগষ্ট থা মনুংদা কারাচিদা এম এম ৬০৪ ফাওবা নোং চুদুনা হৌখিবা চহী কয়াগা চাংদম্নবদা থা অসিগী মনুংদা সিটি অসিদা রেকোর্দ ওইবা মওংদা নোং কন্না চুখি। নোং কন্না চুবদগী বেলোচিষ্টান প্রোভিন্সতসু খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ফিভম লাকখি। প্রোভিন্স অসিগী মফম কয়াদা খঙহৌদনা ঈশিং ঈচাও থোক্তুনা য়ুম-কৈ কয়া ঈচাওগী ঈশিংনা চেন্থখিদুনা মীওই কয়ামরুম ময়ুম-মকৈ লৈহনখিদ্রে।

ঈচাওনা শোকহল্লবা মফমশিং অদুদা এন দি এম এনা টেন্ট, চানবগী পোৎলমশিং, ব্লানকেট, কাংখলনচিংবা পোৎলম কয়া য়েন্থোকখি। নোংমাইজিং নুমিত্তসু লৈবাক অদুগী মফম খরদা অখাক-অরাও য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎ শীৎপগা লোয়ননা নোং চুগনি হায়না ওথোরিটিশিংনা লাউথোকখি। নোং পুবা কুমগী নুংশিৎনা পাকিষ্টানদা জুলাইদগী সেপ্তেম্বর ফাওবা নোং কন্না চুহল্লি। চহী অসিগী ওইনা নোং চীংগী সিজন অসিদা মহৌশাগা চাংদম্নবদা নোং খরা হেন্না চুগনি হায়না মেট দিপার্টনা ফোর্কাষ্ট তৌখি।

## ট্রম্পকী সপোর্টরশিং অমসুং প্রোটেষ্টরশিং খুৎ থোক্লখ্রে, মীওই ১ নোংমৈনা পান্দুন শিখ্রে

পোর্টলেন্দ, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সি):

প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প শৌগৎপশিং অমসুং ব্লেক লাইভস মেটর প্রোটেষ্টরশিংগা লন্দীদা খুৎ থোক্লরিঙৈ চৈরক থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা পোর্টলেন্দ, ওরেগোনদা মীওই অমা নোংমৈনা পান্দুনা শিখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু ট্রম্প শৌগৎপা গাড়ি ৬০০ রোমদা তোংলকপা মীওইশিংবু কাউন্টর-দেমোনষ্ট্রেটরশিংগা লন্দীদা খুৎ থোক্লবগা মরী লৈনব্রা হায়বদু শেংনা খঙবা ঙমখিদে।

পুলিসকী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না গাড়ি পরেং অদু নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তাবদা মফম অদু থাদোকখি অমসুং মদুগী মতুং নুমিদাং পুং ৮.৪৬ লোম তাবদা ওফিসরশিংনা নোংমৈগী মখোলশিং তাবা ফংখি। মিনিট অমগী মনুংদা নোংমৈ কাপফম অদুদা ওফিসরশিং থুংখি। তৌইগম্বসুং নোংমৈনা পাল্লিবা মীওই অদু লায়কন্নবা নংদনা শিখি।

এজেন্সিগী ফোটোগ্রাফরনা নোংমৈগী মখোল অহুম তাবগা লোয়ননা মেদিকশিংনা ভিক্তিম অদুগী মশাদা পায়বনচিংবা তৌবা উখি। অঙৌবা মীশক অমা ওইরিবা মীওই অদু রাইট-ৱিং গ্রুপ পেট্রিওট প্রেয়রগী ইন্সিগনিয়া য়াওবা তুপি অমা উপ্পা উখি।

পনবা য়াবদি মমাংদা গ্রুপ অসিগী মেম্বরশিংনা পোর্টলেন্দদা প্রোটেষ্টরশিংগা তোয়না খুৎ থোক্লবা লৈখ্রবনি। পুলিসকী মতুং ইন্না মীওই অদু মথবাক্তা নোংমৈনা পানখি। মহাক খুদক্তা মশক খঙবা ঙমখিদে।

## নেপালদা কোভিদ-১৯ না শিহনবা শরুক অনী হেনগৎখ্রে

কথমন্দু, ওগষ্ট ৩০, (এজেন্সি) :

নেপালদা কোরোনাভাইরসনা মী শিহনবগী চাং চয়োল অনীখক্কী মনুংদা শরুক অনী য়ৌনা হেনগৎখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবদা লাইচৎ অসিদা শিখিবা মীশিং ২০০ হেল্লে হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ পোপ্যুলেসন্না ফোঙদোকখ্রে।



মী শিবগী চাং মমাংগী থাশিংদা থেংনখিবা ইনফেক্সনশিংগা চাংদম্নবদা নেল্লি হায়বা য়ারবসু লৌনগনবা লায়না অসি কম্যুনিটিশিংগী মরক্তা লেপ্তুনা শন্দোরকখিবগা লোয়ননা হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা লাইচৎ অসিদা মী শিবগী চাং ৱাংখৎলকখি। ওগষ্ট ১৫ ফাওবদা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ১০০ হেনখি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী স্পোক্সপর্সন জাবেশ্বর গৌতম্না থাংজ নুমিত্তা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা মীওই ১২ শিদুনা লাইচৎ অসিদা নেপালদা শিবা মী মশিং ২০৭ য়ৌরে। ইরাই অমসুং থাংজ নুমিৎ অনীমক্তা মীওই ১২ শিদুনা নোংমগী মনুংদা শিবা খ্বাইদগী য়ান্বা মীশিং ওইখি।

হৌখিবা মে ১৬ তা নেপালদা অহানবা ওইনা কোরোনাভাইরস পেসেন্ট অমা শিখি। অহানবা মীশি অদুগী মতুং জুলাই ২১ ফাওবদা লৈবাক অসিদা পুন্না মীওই ৪০ শিখি। তৌইগুম্বসুং জুলাই ২২ দা লোকদাউন লৌথোক্তুনা শেল-থুম অমদি সোসল এক্তিভিটি খুদিংমক অয়েৎ-অপন পীদনা ওপরেট তৌহনবদগী লায়নাগী পোজিটিভ কেস মশিং ৱাংখৎলকখিবগা লোয়ননা লায়না অসিনা শিহনবগী চাংসু ৱাংখৎলকখি। মীশিশিং অসিগা লোয়ননা ফিভম লুবা পেসেন্টশিংগী মশিংসু হেনগৎলকখি। থাংজ নুমিৎ ফাওবদা পেসেন্ট ১৭৫ ইন্টেসিভ ক্যের য়ুনিটশিংদা লৈখি অমসুং অতৈ ২২ না ভেন্টিলেটরশিং শীজিন্নরগা থমখি।

## কোভিদ-১৯ গী অথিংবশিংগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌবা ৩০০ ফাখ্রে

বর্লিন, ওগষ্ট ৩০, (এজেন্সি) :

হৌখিবা থাংজদা জর্মনিগী কেপিটেল সিটি বর্লিনগী লম্বীশিংদা ওথোরিটিশিংগী কোভিদ-১৯ লাইচৎ লাকশিন্নবগী অথিংবশিং শীংনদুনা ঈং-চিক্না পাঙথোকখিবা দেমোনষ্ট্রেসনশিংদা মীওই ৩৮,০০০ লোম্না শরুক য়াখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।




তৌইগুম্বসুং থাংজ নুমিৎকী খরা থেংজিল্লকপা মতমদা ফার রাইটকী মীওই কয়া য়াওনা প্রোটেষ্টর চা কয়ানা জর্মনিগী ফেদরেল পার্লিয়ামেন্ট লৈরিবা রৈচষ্টাগতা থোমজিন্নবা হোৎনখি। পোটেষ্টরশিংগী থৌওং অদুদা পুলিসনা মীওই কয়ামরুম ফাগৎখি। জর্মন পোলিটিসিয়নশিংনা এটেক অদু ইকাইনিংঙাইনি অমসুং য়াফম থোক্তে হায়রদুনা কন্দেম তৌখি।

পার্লিয়ামেন্টতা থোমজিন্নবা হোৎনখিবশিং অদুগী মনুংদা খরদি ফার-রাইট রৈচবর্গর মুভমেন্টকী ইন্সিগনিয়া লোয়নখি। নাজিগী সিম্বোলশিং, রৈচবর্গরগী ইন্সিগনিয়া অমদি ইম্পেরিয়লগী জর্মনিগী ফিরালশিং জর্মন ভুন্দেষ্টগতা চন্নফম লৈতে হায়না ভাইস চান্সেলর ওলাফ স্কোলজনা ফোঙদোকখি।

মমাংদা ব্রান্দেনবর্গ গেট মনাক্তা পাঙথোকখিবা রেলি অমদা মীওই ২০০ রোম ফাখি। রেলি অদু ইরাং তৌবা রাইট-ৱিংগী মীওইশিংনি হায়না ওথোরিটিশিংনা মরাল শীখি। ইরাং হৌরিবশিং অদুনা নুঙ অমসুং বোট্টলশিং লংশিনখি হায়রি।

কোরোনাভাইরসকী অথিংবশিংগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌবগী রেলি কয়া য়ুরোপকী অতৈ সিটিশিংদসু পাঙথোকখি হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখি। লন্দনগী ত্রাফলগর স্কৱারদা মীওই লিশিং কয়া পুনদুনা কোরোনাভাইরসকী অথিংবশিং অমসুং ৫জি য়াওনা ইশ্যু কয়াগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখি। মাস্কশিং মজলশিংনি অমসুং অনৌবা নোর্মেল হায়বসি অনৌবা ফেসিজমনি হায়বা সাইনশিং প্রোটেষ্টরশিংনা উৎখি।

## চাইনা অমসুং পাকিষ্টানসু য়াওগদবা রসিয়াদা পাঙথোক্কদবা মিলিটরি এক্সর্সাইজদা ইন্দিয়া য়াওররোই



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ৩০, (এজেন্সি) : চাইনা অমসুং পাকিষ্টানগা লোন্নবা ঙমখৈ পরিংদা উংখৎনবগী ফিভম লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা মথং থাদা য়ুমথংনরিবা লৈবাক অনীসিসু শরুক য়াদুনা রসিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা মল্টিলেটরেল ষ্ট্রেট্রেজিক কম্মান্দ ফোর্স এক্সর্সাইজ অমদা য়াওদনবা ইন্দিয়ানা থাংজ নুমিত্তা ৱারেপ লৌখ্রে।

চাইনা অমসুং পাকিষ্টান য়াওনা তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়ানা শরুক য়াদুনা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা কাভকজ ২০২০ (কোকেসেস ২০২০) কৌবা মিলিটরি এক্সর্সাইজদা ইন্দিয়াগী মিলিটরি কন্টিঞ্জেন্ট অমা শরুক য়ানবা হান্না থৌরাং তৌরম্বনি। ইন্দিয়ন গভর্নমেন্টনা এক্সর্সাইজ অদুদা শরুক য়াদনবা থাংজ নুমিত্তা ৱারেপ লৌখি।

কোরোনাভাইরস পান্দেমিক অমসুং লোজিষ্টিক্স শীন-লাংবা য়াওনা এক্সর্সাইজ অদুগী মতুং তারকপদা থেংনগদবা খুদোংচাদবা কয়া য়েংদুনা ইন্দিয়ানা চহী অসিগী ওইনা কাভকজ ২০২০দা কন্টিঞ্জেন্ট থাদনবা ৱারেপ লৌরে। ৱারেপ অসি রসিয়ানশিংদা খঙহনখ্রে হায়না ইন্দিয়ন গভর্নমেন্টকী ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুদা রসিয়া অমসুং ইন্দিয়া অসি য়াম্না নকশিন্নবা ষ্ট্রেটেজিক পাটনরশিংনি হায়নসু গভর্নমেন্টনা নৌহৌননা পনখি। রসিয়াগী খা থংবা অষ্ট্রাখান রিজনদা সেপ্তেম্বর ১৫ দগীনা ২৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এক্সর্সাইজ অদুদা রসিয়াগী য়াওনা ট্রুপ ১২,৫০০ হেনবনা শরুক য়াগনি। চাইনানা এক্সর্সাইজ অদুদা শরুক য়ানবগীদমক আর্মি কন্টিঞ্জেন্ট অমা থাবগা লোয়ননা নেভিগী জহাজ ৩ দিপ্লোই তৌগনি। এক্সর্সাইজ অদুগী পান্দমদি পার্টনরশিংগী মরক্তা কোওপসেন হেনগৎহনবনি। মিলিটরিশিংনা ফোরেন ষ্টেটশিংগী আর্মি য়ুনিটশিংগা লোয়ননা জোইন্ট এক্সনগীদমক্তা শেম-শাবগী থৌওংশিং এক্সসাইজ অসিদা য়াওগনি। ইষ্টর্ন লদাখকী লাইন ওফ এক্ষ্যুএল কন্ট্রোল পরিংদা ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী মরক্তা মুক্লরিঙৌদো এক্সর্সাইজ অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি।

## উরিষাগী ঈচাওদা ১৬ শিরে, মী লাখ ৮ হেন্না অৱাবা নংলে



ভুবনেশ্বর, ওগষ্ট ৩০, (এজেন্সি) :

উরিষাদা ঈশিং ঈচাওগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা মীওই ১৬ শিখ্রে অমসুং ষ্টেট অসিগী মীওই লাখ ৮ হেন্না ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরে হায়না স্পেসল রিলিফ কম্মিসনর (এস আর সী) প্রদিপ কুমার জেনানা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি মদুদি, ৱাল নীংখায়রকপা অমসুং ঈরাক্লবগী থৌদোকশিংদা মীওই ১৬ শিখ্রে অমসুং য়ুমদা য়োকপা নৎত্রগা ফামগী শা-ষন ৫সু ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইদুনা শিখি। ষ্টেট গভর্নমেন্টকী প্রিলিমিনরি ইষ্টিমেসনগী মতুং ইন্না ষ্টেট অসিগী ঈচাও অসিদা মীওই লাখ ৮ লোম অমসুং য়ুমদা য়োকপা শা-ষন লাখ ৩ হেন্না অৱাবা মায়োক্লরে। ফামগী লম হেক্তর লাখ ২-৩ ঈশিং থুমজিনখ্রে। মসিদা নত্তনা য়ুম ৮,০০০ লোম অমাঙ-অতা থোক্লে হায়না জেনানা ফোঙদোকখি।

সুবরনারেখা, বুধবালঙ্গা, বাইতারানি, ব্রাহমনি অমসুং জলাকা য়াওনা ষ্টেট অসিগী তুরেল কয়াদা ঈচাওগী ফিভম লৈরে। ভরদ্রক দিষ্ট্রিক্টতা খুঙ্গং ৬১০ রোম ঈচাওনা শোকহনখিবগা লোয়ননা মীওই ৪,০০০ হেন্না সেল্টরশিংনা লৈহনখ্রে। ব্রহমনি অমসুং বাইতারানি তুরেলশিং ঈমায় পাথোরকপদগী জয়পুর দিষ্ট্রিক্টতা খুঙ্গং ৫৬০ ঈচাওনা শোকহনখিবগা লোয়ননা মীওই ৫০,০০০ হেন্না সেল্টরশিংদা চঙজফম লৌহনখ্রে।

জেনাগী মতুং ইন্না তুরেলগী তোৰ্বান মফম ২৬ কায়খি। মহান্দানি তুরেলগী হৌরকফম মফমশিংদা নোং কন্না চুবনা মরম ওইদুনা হিরাকুদ দামদা ঈশিং কুসেক লাখ ৯ লোম চেনশিনখ্রে।

রিজার্ভরদা ঈশিং কুসেক লাখ ৮.৯৫ রোম চঙশিল্লক্লে। দামগী গেট ৪৬ ফাওরগা ঈশিং কুসেক লাখ ৭.৬২ তুরেলদা থাজিল্লি। ঈশিং কুসেক লাখ ১০ দগী ১০.৫০রোম ফাওবা হয়েং অয়ুক ফাওবগী মনুংদা মুনদল্লিদা থাজিল্লকপা য়াই হায়না স্পেসল রিলিফ কম্মিসনরনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, জগটসিংহপুর, কেন্দ্রপরা অমসুং পুরি য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট কয়াদা ঈশিং হাজিল্লকপদগী ওইরকপা য়াবা ঈচাওকী ফিভম ঐখোয়না কুপ্পা য়েংশিল্লি। ঈচাওনা শোকহল্লবা মফমশিংদা উরিষা দিজাষ্টর রেপিদ এক্সন ফোর্স (ও দি আর এ এফ), নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ) অমসুং ফয়ার সর্ভিসগী টিমশিং দিপ্লোই তৌখ্রে।

## কেস ৮,০০০ দিটেক্ট তৌখ্রে

বেঙ্গলুরু, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সি):

কর্নাতাকাদা অনৌবা কোভিদ কেস ৮,৩২৪ রেজিষ্টর তৌখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী অপুনবা কেস লাখ ৩.২৭ য়ৌরে হায়না হেল্থ ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে। অনৌবা কেসশিং অসি থেংনবগা লোয়ননা নাবা ফরবা মীওই ৮,১১০ ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদগী দিসচার্জ তৌখ্রে হায়নসু হেল্থ কম্মিসনর পনকস পান্দেনা ফোঙদোকখি। ইনৌ নৌনা পেসেন্ট ১১৫ শিখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা শিখিবা মী মশিং ৫,৪৮৩ য়ৌরে।

## নৌনা মী ৯ শিদুনা তেলঙ্গনাদা কোভিদনা শিহনবা ৮০০ হেল্লে

হায়দ্রাবাদ, ওগষ্ট ৩০, (এজেন্সি) :

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা পেসেন্ট ৯ শিখিবগা লোয়ননা তেলঙ্গনাদা কোভিদ-১৯না শিহনখিবা মী মশিং ৮০০ হেনখ্রে। হায়রিবা মতম অসিদা ষ্টেট অসিদা অনৌবা কোভিদ কেস ২,৭৫১ দিটেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা অপুনবা কেস মশিং ১,২০,১৬৬ য়ৌখ্রে।

ইনৌ নৌনা মীওই ৯ শিরিবসি থারগা ষ্টেট অসিদা হৌজিক ফাওবদা লাইচৎ অসিনা শিহনবা মী মশিং ৮০৮ য়ৌরে। হেল্থ ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিদা লায়না অসিনা মী শিহনবগী চাং নেসনল এভরেজ চাদা ১.৮১ গা চাংদম্নবদা



চাদা ০.৬৭দা হন্থরক্লে। শিখিবশিং অদুগী মনুংদা চাদা ৫৩.৮৭ দি মশাদা হান্নদগী তোঙান তোঙানবা লায়নাশিং চেনবা মীওই ঙাক্তনি। পোজিটিভ কেস অমসুং শিবগী চাংগী মতাংদা লৈবাক অসিগী ওইনা তেলঙ্গনানা মথংশিংনা ৯ শুবা অমসুং ১২ শুবা পোজিসনদা লৈ।

ষ্টেট অদুদা ইনফেক্সন দিটেক্ট তৌনবগী টেষ্ট মশিং মখা তানা হেনগৎহল্লদুনা ওথোরিটিশিংনা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৮না লোইবা মমাংগী পুং ২৪ গী মনুংদা সেম্পল ৬২,৩০০ টেষ্ট তৌখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা মসিনা ষ্টেট অসিদা নোংমগী মনুংদা টেষ্ট তৌবা খ্বাইদগী য়ান্বা মশিংনি। সেম্পল ১০১০গী রিজল্টশিং ঙাইখি। হৌখিবা নুমিৎ তরুক্লি অসিদা টেষ্ট লাখ ৩.৭০ হেন্না পাঙথোকখি। মসি থারগা হৌজিক ফাওবদা উরিষাদা পাঙথোক্লিবা কোভিদ টেষ্ট মশিং ১২,৬৬,৬৪৩ য়ৌরে। পুন্না গভর্নমেন্টকী লেবোরেটরি ১৬ অমসুং প্রাইভেট লেবোরেটরি ৩১ না আর টি-পি সী আর/সী বি এন এ এ টি/ট্রুনেট টেষ্টশিং পাঙথোক্লি। রেপিদ এন্টিজেন টেষ্ট সেন্টর ১০৭৬সু লৈরি।

OFFICE OF THE
IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION
ꯈꯪꯍꯟꯕ/ খঙহঞ্জবা

Notice অসিনা মরম ওইরগা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal Municipal Corporation না হৌখিবা July তাং ১৭ তা চেফোঙ অসিগী খূথাংদা পাউজেঞ্জখিবা অদুগী মতুং ইন্না অরোইবা ওইনা পাউজেঞ্জরি মদুদি Pradhan Mantri Awas Yojana (PMAY) Housing for All Scheme গী মখাদা Final Beneficiary List তা য়াওখ্রবশিংনা ইশা-ইশাগী মিং অদু MIS Web Portal দা মিং চনখ্রে নৎত্রগা চন্দ্রি হায়বদু ইশা-ইশাগী Ward Development Committee শিংগী Office নৎত্রগা Hon'ble Corporator শিংদগী খঙদোকপীরগা মিং চল্লমদবা থোক্লবদি অদোম-অদোমগী Ward Development Committee (WDC) নৎত্রগা Hon'ble Corporator শিংদা লাক্লিবা September তাং ৫ ফাওবগী মনুংদা ইশাগী Aadhar, Family Aadhar ইশাগী লম পাট্টা (Jamabandi), অমদি Bank Pass Book copy গা লোয়ননা পীশিনবীনবা নীংশিংজরি। মসিগী মখা তাবা ৱাকৎ Imphal Municipal Corporation না লৌজররোই।

খঙহঞ্জরিবা : K. Chandrakumar Singh
Municipal Commissioner, Imphal Municipal Corporation

HL-B/6340/30 & 31